# মণিপুরদা মোদি মঙলাক্লরব্রা

## লাইকোই চাকখিবদুদি পেল্লি

হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভমসিদা ইকায়খুম্নজরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মণিপুরদা মঙলাক্লরব্রা হায়দুনা হংবা য়াব্রা, হংফম থোকপ্রা, হংনবগী মরমশিং লৈব্রা? হংলুরগা লৈবাক্কী অঙম্বনেনা শাওরক্কদ্রা, হংলুবগীদমক মহাক মশামক্না নৎত্রগা মহাক্কী তুংইনবা খৌবুনাইশিংনা ৱারৌরক্কদ্রা, অহকপা চৈরাকশিং পীরক্কদ্রা? খঙদদনা হংবনিকো। হংদবদি য়ারক্তবদগী হংলকপনি। মসিগীদমক অয়োন-অরান খিবিক ঙাকপীগনি। অদুবু ৱাহংসিগী পাউখুম নরেন্দ্র মোদিজিনা পীনীংলোই। মহাক্কী য়েৎথংবা পাম্বোম ওইরিবা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহজিনসু পীনীংলোই। লাপখ্রবা দেল্লীদা লৈবা মখোয়গী পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবা থৌপুবশিং য়াওনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লীদরশিংনসু পীনীংলোই। তাম্না লৈখ্রবা মখোয়দি লায়রদনা স্বাইদা মখোয়গী অচানবা মনাই, খোঙবী-খোঙনাওশিংনি হায়দুনা লৈরিবা ফীদম য়াওজরক্তবা, মনানা শাবা হৈমাংগুম্লবা শিবদা কপ্লরোইদবশিংসিনসু পীনীংলোই। ৱাহংসি তাবদা খুম্বদি লায়রদনা ওনশিন্দুনা করি-করিনো খ্বাইদগী নেমখ্রবা থাক্কী মথোঙ খঙদবা থৌওংশিং ওইনদুম চখরক্কদবগা মাল্লি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদদি হংদবদি য়াদ্রে কম্মাই তৌসিগে? পাউখুম ফংগেরা-ফংলোইরা হংহৌদ্রবদি ফুনগৎতুনসু লৈদৌরে, নীংদোলসু পোমদৌরে হায়বনি। মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা তমথীরবা লানসি নুমিৎতুগী নোং ফুং ঙানবগা অয়ুক্তগী হৌরকপা নত্তে। ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর (অটসুম) না 'ট্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ' হায়বা খোঙচৎ অমা চৎলুরবা মতুং কায়নথংদা নুংথিলদগী হৌরকখিবনি। অদুবু সিক্যুরিটি এদভাইজরদি থংনবা নুমিৎ মে ৪, ২০২৩দা হাপচিল্লকখি। লানগী থৌদোকশিংদু তোর্বুং বাংলাদগী হৌরক্লগা মোরে অমসুং কাংপোকপী য়াওনা কুকিশিংগা তায়ননা লৈবা তম্পাক্কী মফমশিংদা লাম্মৈগুম্না ওন্থোক্লা থুনা য়াঙনা শন্দোরকখিবদুগী চপ চাবা রিপোর্টশিং ফাওবা য়ুনিয়ন লৈঙাক, মরু ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ) না ফাওবা খোমজিন-তাশিনবা ঙম্লমগদ্রা? স্বাইদা য়াম্না নক্লা লৈবা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেন ফাওবনদি 'মাঙজৌননা খঙহৌদ্রে, এদভান্স ইন্টল্লিজেন্স ফেল ওইখ্রে অমসুং পন্থদনা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহৌদ্রে' হায়দুনা পেরি-পেরি তৌরগা মখূৎকা লোন্নরগা শোয়খ্রে, লানখ্রে ঙাকপীয়ু হায়দুনা কপঙাং-ঙাঙখ্রিবনি। মসি ওইখ্রবসু তামখ্রবা দেল্লীদৈদি সিক্যুরিটি এদভাইজর প্রপ-প্রপ হাপ্লকখ্রিবনিনা মখোয়না হান্না খঙই লৌনি।

খঙসু খঙলমগনি। পীকচরবসু মণিপুর অতৈ ষ্টেটশিংদগীদি বোর্দর ষ্টেট অমা ওইবগী মথক্তা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মথক্তা ফোংনা খূৎলায় পায়দুনা শীংনবশিং লৈবনিনা মখল পূম্নমক্কী সেন্ত্রেল ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌরিবনি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী অপাকপা মনা কয়া চীং-মান্দা শিনবা থুংনা থেৎলিবনি। অদুগীসু মথক্তা লৈবাকসি মালেমগী মিলিটরিদা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা মরিশুবা লৈবাক্লিহায়নরক্লিবনি। লানসিগী থৌদোকশিংগী মতাংদা হোত্রোং হোনা খঙলমগনি। মরমশিং অসিননি ষ্টেটসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিজি মণিপুরদা মায়থীরব্রা হংলক্লিসে!! তমথীরবা লানসি হৌরক্লিবা কবোক পীজরগা মমৈ হাইদুনা তেথবা হূইগুম্বা টেররিষ্টশিংসিবু য়ুনিয়ন লৈঙাক্না শৌগৎতে হায়খিগে হায়রিব্রা? লানসি অহানবদা 'সূ' তৌনরক্লিবা কুকি-জো মিলিটেন্টশিংনা টেররিষ্ট ওইরক্তুনা চখরকপা নৎত্রা? য়ুনিয়ন লৈঙাক্না হাপ্লকপা সিক্যুরিটি এদভাইজরনা দিজিগনেটেদ কেম্পশিংদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা লৈফম থোকপা কাদর অমসুং খূৎশু-খূৎলায় শুনা লৈরমদবা থেংনরকখ্রবা নৎত্রা? মসিগীসু মথক্তা হৌজিকপুদি মহনফম মখুলদা চঙখ্রবা ষ্টেট লৈঙাক্না কেবিনেট মীফম পাঙথোক্তুনা 'সূ' এগ্রোগেট তৌনবা ৱারেপ লৌজখিবনি। এসেমব্লি মীফমনসু অয়াবা পীরগা থবক্তা ওন্থোকপীনবা হায়জখিবদা মনানা-মথুননা তাখিব্রো? কুকি টেররিষ্টশিংবু মথৌ শঙলিবা এম এল এ ১০গী মথক্তা ৱাহে অমত্তা ফাওবা, শো-কোজ নোটিশ অমত্তা ফাওবা হায়বা-পীবা ঙমখ্রবরা? মরু ওইনা লানসিগী মতাংদা হৌজিক থা ২২ চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা, হোম মিনিষ্টরনা লৈখাই তাবা ৱারোইশিন পুরক্লবা করম্বা ৱাফম ফোঙদোকখ্রবগে? তৌনু-তৌনু, কুকি-জো টেররিষ্টশিংদা চহী ফাদ্রিবা অঙাং ফাওবা মীহাৎ থীনা হিংহাৎ-হাৎহল্লদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়োক্তা খূৎলায় পায়দুনা লেপ্লীবশিং থোরক্কনি। ওনশিন্নদুনা হাত্তোক্লরক্কনি। মদুগী খুদোংচাবা লৌরগা চপখাইহৌগে খনবদুসু ওইথোক্তবা নৎত্রা? ম্যান্মারদা লৈবা নোর্থ-ইষ্টকী লালহৌবশিংদসু উকাই তকথগে হোৎনজরম্বনি। অদুবু থৌরাং অনীমক্তা ঙাকথোকপদা নাহি তাবগী ফীভমদা তারক্লবা নৎত্রা? মসিদবু মোদিজিনা মঙজরম্বা মঙলান মঙলাক্লরে হায়রক্লোইদবগী মরম লৈব্রা? তাল্লকসিদা চুঙ্গোই ওইনা শীজিন্নরম্বা ষ্টেট লৈঙাক্না লোংনা হাইথখিবসিদি ইপা শিবদি নুংঙাইতবা তৌদে, লাইকোই চাকখিবদুদি কল্লক পেল্লি হায়রকপা মশানা তাবনি, ৱারৌনু।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৮গী ৱাহং

১) "পূম্নমক অরেম্বনি, কবিগী তাঙলবা খুভম অসিদি নঙগী পূক্নিংগী মখা পোনবা নত্তে; ঐখোয়না মথক্তা হায়খ্রে, নথৱায় শোক্লা হায়বা ৱাহৈতেনা মীগী মথৱায় শোকহনবা ঙম্মী।" ৱাহৈ পরেং অসি মীয়াম্না য়াম্না খঙনরবা ৱারেং অমদগী লৌথোরকপনি। ৱারেং অদুগী অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

২) "নঙ ঐবু নুংশি হায়বদায়।-নুংশি-করি হায়না নুংশি, ঐদি য়ূম পানবা ঙম্মোই হায়বা নৎত্রা...।" ৱাহৈ পরেং অসি ময়াম্না শকখঙনরবা অইবা অমগী নোভেলদগী লৌথোরকপনি। ৱাহৈ পরেং অসি য়াওরিবা নোভেল অসিগী অইবা কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) "বীর টিকেন্দ্রজিৎ" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল করি লোলদা ইবদগী ইংগ্রাজি দা কুমজা ২০২৪দা কনানা হন্দোকপগে?

৪) "বোরখানগী ইনে" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৫) "থম্মোয় মচেৎ" হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবগী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৭কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (৩,৪)

***২) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪)***

৩) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,৩,৪)

৪) মাইবম কাংজাম্বা মৈতৈ, লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায় - (৩,৪)

৪) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,৩,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১০৭কী ৱিন্নর*

***মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ১০৭কী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৭কী পাউখুম

১) "পূন্সি য়াচংবা মতম ওইরকলে
ঙাল্লম্বা আশাগী নুমিৎ তাখরে
কনানো ঐগী থোংজিন্দা লেপলিবা
পিথোক পিশিনগী মতমদি লোইখরে।"

মথক্কী ঈশৈ মতেক অসিগী অইবা কনানো? করি লাইরিক্তা য়াওবগে? **:- অইবা- শ্রী খুমন্থেম প্রকাশ, লাইরিক্কী মমিং - ঈশৈ পরেং, অহানবা ফোঙবা - দিসেম্বর ১৯৯৭।**

২) "জৈনেন্দ্রগী 'ত্যাগপত্র' দা উৎলিবা সমস্যা" হায়বা নৈন-ৱারেং অসি অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসিগী মমিং হায়য়ু? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? **:- অইবা-অরিবম কুমার শর্মা, লাইরিক্কী মমিং-সাহিত্যদা রস অমসুং অতৈ নৈন-ৱারেং খরা, অহানবা ফোঙবা- জন্যুৱারী ২৭, ২০০২।**

৩) "অকনবা শাফুগী ঈরৈ" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা অসি কনানো? **:- অইবা- যোদ্ধ ছী সনসম, লাইরিক্কী মখল - নোভেল, অনীশুবা খূৎনম - সেপ্টেম্বর, ২০০৯ ইং।**

৪) "কন্ঠপুরা" হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? **:- মণিপুরীদা হন্দোকপা- হৈক্রুজম শ্যামসুন্দর সিংহ, ইংলিসকী অইবা-রাজা রাউ, অহানবা ফোঙবা- ওক্টোবর, ২০১৯।**

৫) "লৈতেং য়াওদ্রবা ফজবা" হায়বা ৱারীমচা অসি অইবা অমগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারীমচা অমনি। লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবগী মমিং হায়য়ু। **:- লাইরিক্কী মমিং - রায়, অইবা- হাওবম সত্যবতী খুন্দ্রাকপম (৩), ফোঙবা-২০১২।**

# লৌমীশিংগী কাখল

## থানবা অফবা উমোরোক্কী মরু

**- ডা. এম থোইথোই সিংহ -**

কেপসিকম অমসুং অতৈ মোরোক মখলশিংগীদি অফবা মশক নাইবা কম্পেনিশিংনাপুথোকপা মরু মখলশিংদগী অপাম্বা মগুনশিং চেনবা মরুশিং লৈনিংবা মতমদা লৈদুনা থাবা ঙম্মী। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি উমোরোক মরুশিংগী মশক, মমিং, মগুন য়াওনা ইবা/ফোঙদোকপা, মপুঙফানা শেম শারবা উমোরোক মরু পুথোকপা মশকনাইবা ফার্ম নত্রগা কম্পেনি লৈত্রি। সীড প্রোসেসিং য়ুনিট অমদগী উমোরোক মরুবু কাংলোন চুম্না পুথোকপা সিড কম্পেনি লৈত্রিবা মরম্না ইশানা থিজবা নত্রগা লোকচবা মরুদগী থানৈ। মসিগীদমক খরা হেন্না ফজবা, পানবগী চাং ৱাংবা, লায়না তীলনা তাবগী চাং নেম্বা, শাহৌ ফবা পাম্বীশিংদগীমরু লৌগনি। অফংবা অমা হেক্তা থাবা চুমদে।



লৈতেংগী নত্রগা নুংঙাইবগী পাম্বী মঙা-তরা থাবা নত্রগা ফৈদোম অমা অনীখক থাবগী ওইরবদি ফংলিবা মরু নত্রগা চরাশিংদুদগী খ্বাইদগী হেন্না ফবা খল্লগা থাবা য়াই। অদুমকপু শেন য়াম্না থাদদুনা, পাক্লা চাউনা থাগদবা ওইরবদি মরু লৌবদা য়াম্না চেকশিন্না কাঙলোন চুমহনবা চঙই। লৌউ শিংউদা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওই হায়দুনা 'মরু' কৌরিবনি।

শাহৌফবা, পোত্থোক লৈবা খক নত্তনা মরুদা চেন্নরক্কদবা ভাইরস অমসুং কোকফাই লায়নাশিং চেল্লক্তবা মরু শীজিন্নবা হায়বসি তঙাইফদে। উমোরোক্তা তারিবা ভাইরস লায়না অয়াম্বদি মরুদা চেন্নরকই। মসিদা নত্তনা কোকফাই লায়না কয়া চেন্নরকই। মরুদা চেন্নরকপা লায়নাশিংদি

Tomato spoted wilt virus (Ts V)

Pepper yellor leaf curl Indonesiavirus (PepYLCIV)

Pepper mild motle Virus,

Bacterial leaf sport, Cereospore leaf spot অমসুং Bacterial wilt মমিং পনবা য়াই।

লায়নাশিং অসি লায়ওং উবদা মশা ফবা পাম্বীশিংদগী মরু লৌনবা য়ারিবমখৈ হোৎনবা চঙই। মণিপুরগী ঙায়োক পুখ্রিশিংগী অকোয়বদা থানরিবা উমোরোকশিং অসি অয়াম্বনা মশা ফৈ। লায়না কয়া চেনগন্দে। মসিগী মরুওইবা মরমদি পাম্বীশিংদা ঈশিং ৱাৎতে। ঈশিং হেন্দে। অহেনবা ঈশিং পুখ্রিরোমদা চুমথজখি। তুং মাঙ অনীমক্তা ঈশিং (Natural barrier) লৈখিবনা উমোরোক্তা লায়না তীলনা শন্দোকপা হন্থে। থঙনবা নাকল য়েৎ অনীদগী শন্দোরক্কদবা মঙায়রে। লায়না তীলনা শন্দোকপগী চাং য়াম্না নেম্মী।

**অফবা পাম্বী, Mother Plant খনবাঃ** অপাম্বা উমোরোক্কী মগুনশিং য়াওবা পাম্বীশিং খল্লকপদা য়াম্না ফবা পাম্বীদুগা থংনবশিংদা য়াম্না পামদবা পাম্বীশিং য়াওরবদি ফরবসু মরু লৌরোই। অফবা পাম্বী ঙাক্তা থঙনবা পাম্বী মঙা-তরা লৈরিবদুগী মতাইথংবা অমা অনী থনম্লগা মনুং থংবা পাম্বীশিংদগী লৌগনি। হার পীবা, মচিঞ্জাক হাপ্পা, নাপী পেঙবা, ঈশিং পীবা, হীদাক কাপ্পা, হেকপনচিংবা Cultural Operation খুদিংদা মরু লৌগদৌরিবা মফমদদা হান্না পাঙথোক্কনি।

উমোরোক মপান শাৎপদগী মরু লৌনবগীদমক মপুঙ ফারবা মোরোক ওইরকপা ফাওবদা নুমিৎ ৪০-৪৫ ফাওবা চঙই। মপুঙ ফানা মুল্লবা, মচু হেন্না ঙাঙশিল্লবা, মসা মোন্থরবা মোরোকশিং মরুগীদমক হেক্কনি।

হেক্লবা মোরোকশিং উরুমদা থমদুনা ইংথহনগনি। Field heat লৌথোক্কনি।

পথুরবা, হায়ফেৎ কংলবা মোরোকশিং খায়দোক্তুনা মরুশিং লৌথোক্কনি।

লৌথোক্লবা মোরোক মরুশিং bloting paper মথক্তা থমদুনা অহেনবা চুপথোকহন্দুনা কংহনগনি।

অকংবা মরুশিং চেগী envelope শিংদা হাপচিন্দুনা অইংবা, অকংবা মফমদা থমগনি। মসি নত্রগসু অফবা, খনগৎলবা উমোরোকশিং মপুং ফানা কংহল্লবা মতুংদা মোরোক মরুশিং লৌরগা শীজিন্নবা য়াই। মসিগীদমক মোরোকশিংদু য়ৈরবা মতুংদা মরুশিং লৌথোক্কনি। মরু লৌথোকখ্রবা মতুংদা লেমহৌবা উমোরোক্কী শরুকশিংদু চানবা ওইনা থমহৌবা য়াই।

মসি নত্রগসু মপুঙ ফারবা মোরোকশিংবু Seed Extractor Machine শীজিন্নদুনা মারোক মরুশিং থানবগীদমক লৌথোকপা য়াই।

খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরিবদি লায়না চেন্দবা মোরোক খনবদুনি। ●

# ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং (পূনশিন লৌউ) না তুং কোইবা লৌউরোমদা চঙশিল্লসি



**- ডা. এস সুমঙ্গল -**

ফার্ম অমদা পোৎশক অমখক্তমক পায়খৎপা হায়বদি লৌখক্তং উবা, শা-ষণদমক লোয়বা নৎত্রগা ঙাখক্তং য়োকপা তারবদি ফার্মদুগী থবক্তু পায়খৎপদা চঙবা অমদি পুথোরক্লিবা মচাকশিং অদু অরেপ্পা অমতমক/খরখক্তমক ওইদুনা লৈরনি। অমরোমদা মথক্তা থমজরিবশিং অসি হৈনা শিংনা পূন্না পায়খৎমিন্নবা তারগদি অকক্লবা থৌরমশিং/পোৎচঙশিং/পোত্থোকশিং ওইররোই, অহুম্মকসিদা অমনা অমগী মতেং পাঙনদুনা শেঞ্জংদা, পোত্থোক্তা অমদি শেন্দোংদা কান্নবা হেন্না ফংবা ঙমগনি। হায়রিবা মচাকশিং অসি পূনশিনমিন্নদুনা কান্নবা হেন্না ফংননবা চৎন-কাঙলোনশিং অদু পায়খৎপা অদুবুনি ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং (পূনশিন লৌউ) হায়নরিবদু। থৌওংশিং অমসুং কান্নবশিং অদুদি অসুম্না থম্বা য়াই।



১) মখল মথেলগী/মখল মখা কয়াগী পুনমিন্নবা য়াবা থবকশিং মতম অমত্তদা/চহী অমগী ওইনা/মতম চূপ্পগী ওইনা পূন্না পায়খৎমিন্নবা।

২) মহৌশাগী ওইবা অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীদবা।

৩) য়ারিবমখৈ ফার্মগী মপান্দগী/অতোপ্পদগী পোৎচঙশিং শীজিন্নদবা।

৪) মহৌশাগা চৎমিন্নবা য়াবা থৌরমশিং পায়খৎপা।

৫) তুং কোয়বা শেন্দান লন্বী ওইবা য়াবা মওংদা চঙশিনবা অসিনচিংবা অসিনি।

**পূনশিন লৌউগী কান্নবা :**

১) পোত্থোক হেনগৎতুনা শেন্দোং হেন্না ফংবা।

২) অমগী অরেম অপানা অতোপ্পগী পোৎচঙ ওইবনা শেঞ্জং হন্থবা।

৩) থৌরম অমা শোয়রবসু অমনা মেনখৎপা।

৪) ইমুং অমগী পোৎচঙশিং অয়াম্বা ইশাগী ফংবা।

৫) হকচাং ফনা লৈনবা মচাকশিং চাং চানা ফংবা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

মণিপুরগী অঙনফৌ থাবগী চাং য়াম্না হন্থরক্লিবা তাঞ্জা অমা লৈরিঙৈ, লোয়ননা লোক্তাক হায়দেল পৱার প্রোজেক্টনা অফবা লৌফম কয়া অমসু ঈশিং থুমজিনবদগী ঙাগী ফার্ম ওন্থোক্লখ্রবা তাঞ্জা অসিদা ঙাগী ফার্ম মনুংদা অমদি অকোয়বা পল্লি মথক্তা থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা লৌসু উবা, ঙাসু য়োকপা, এঞ্জাং-নাপি থাবা, উহৈ-ৱাহৈ থাবা, শা-ষণ লোয়বনচিংবা থবক থৌরম কয়া পূন্না পায়খৎলবদি মপূং ফাবা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং হায়বদু ওইহন্দুনা ইমুংগী শেন্মীৎলোন হেন্না ফগৎহনবা ঙমগনি হায়না থমজনীংই। মসিগুম্না হোৎনবা লৌমী ইচিল ইনাও কয়া অমা লৈতবদি নত্তে। মীয়ামগী মিৎ-মায় ওইনবা খরা থমজবনি।

ফৌ থাবা, ঙা য়োকপা, মরুগী হঙ্গাম হুনবা, এঞ্জাং-নাপি থাবা, উহৈ থাবা, লোয়ননা ষণ লোয়দুনা পূন্না ফার্মগী মনুং অমসুং অকোয়বা পল্লিদা মফম চানা চানা হায়রিবা থবকশিং অসি অদুমক পায়খৎপা য়াবা ঙাক্তনি।

পল্লিগী মথক্তা উহৈ অমদি মতম মতমগী এঞ্জাং-নাপি থাবা য়াই। ফর্ম মনুংদা ঙা, ফৌ অমদি হঙ্গাম অওন পোথা ওইনা মায় পাক্লা অদুমক পায়খৎপসু কান্নবা অদুমক থেংনৈ।

ফার্ম অদু শঙম, লৌখাই অমদি লৌশেল চাউবা পুখ্রিশিং খায়দোকপীবা ফৈ। পুখ্রি মচাদা স্পোান্দগী হৌনা ঙা য়োকপা হৌদুনা ঙা চারা য়োনবগা লোয়ননা ইশাগী অতৈ ঙায়োক পূখ্রিদা থাদনবা ঙা চারা শেল তিংনা লৈদ্রবসু য়াগনি। অসুম্না য়োকপা ঙা অদু ফাদুনা য়োনখ্রবা মতুংদা মতম তেনবা হঙ্গাম লৌফম খোইদনা (জিরো তিলেজ) থাবা য়াই। হঙ্গাম লোল্লবা মতুংদা অঙনফৌ থাবসু অদুমক য়াই। অমুকসু জুন-জুলাইদা ফৌ লোল্লবা মতুংদা শেমগৎলবা ঙা চারাশিং অদু ঙায়োক পূখ্রিশিং অদুদা য়োকখৎপা য়ারে। করিগুম্বা চহীদা ঙা হেক মতম চানা ফাদোকপগা খোইদনা হঙ্গাম হুনবগী মহুত্তা খোইদনা অঙনফৌ এস আর আই মেথদতা থাবসু য়ারে। অসুম্না মতম চানা অমদি মফম চানা শিন্দোক্তুনা ফর্ম মনুং অমদি অকোয়বা পল্লিশিং হাঙহন্দনা থবকশিং অসি পায়খৎপা য়াই।

চাওরাকপা কেলেন্দর অদুদি অসুম্না থম্বা য়াই।

**ফৌ :** মার্চথাগী অহানবা চয়োলদা চানবা/পক্লবা মখলগী অঙনবা ফৌ আর সী মনিফৌ-১২, পি এ সী - ৮০৭ নৎত্রগা মঙালফৌ তোঙান তোঙান্না এস আর আই/মোদিফাইদ এস আর আই ইন্টিগ্রেটেদ ক্রোপ মেনেজমেন্ট (আই সী এম) মেথদতা থাবা অসি পায়খৎপা য়াই। ঙা য়োকফম ওইবনা হার হাপত্রবসু অদুমক ফৌ য়াম্না ফগনি। লৌহোনদি নুমিৎ ১৭-২০নি শুবা লৌহোন্না লীংববা ফৈ।

**ঙা :** তাঙ্কক নাইনা স্পোান্দগী হৌদুনা কম্পোজিৎ ওইবা মওংদা রৌ, ম্রিগল, সিলভর কার্প, গ্রাস কার্প য়োকখৎতুনা হৌরগা ফৌ লোল্লবা মতুং জুন-জুলাইদা নোং লাল্লবা মতমদা শেমগৎলিবা ঙাশিংদগী চাং মান্নবা মশা ফবা ঙা খনগৎতুনা য়োকখৎপা য়ারে। অহেনবা ঙা চারাশিং অদুনা য়োন্থোক্তুনা অহেনবা শেল ফংবা য়াই। মসিনা ঙা চারা লৈবগী শেল তিংদ্রবসু য়ারে।

পরি অমা চাউবা ফর্মদা কৈথেলদা য়াম্না চৎকদবা ঙা মখল য়েংদুনা য়োকপা য়াবা চাওরাকপা ঙা মশীংদি মখাগী অসুম্না থম্বা য়াই। মসি মফম-মফমগী ওইনা অরৈবা মীনা পাম্বা ঙা মখল য়েংদুনা মশীং অসি খরা হোংদোক হোংজিন তৌবসু অদুমক পাঙথোক্কে।

গ্রাস কার্প - ৫০০

সিলভর কার্প - ১০০০

রৌ অমসুং ম্রিগল - ৫০০০

কমন কার্প - ৩০০০

নবেম্বর থাদা ঈশিং শিৎতোক্তুনা ঙা ফাদোল্লবা মতুংদা লৈমাই অদু পেৎলি-পেৎলি লৈরিঙৈ মতমদা জিরো টিলেজ হায়বদি শুকখোই খোইদনা হঙ্গাম মখল এম - ২৭ অমসুং রাগিনি মখলশিং অসি হুনবা য়াই। অসুম্না হুনবা মখলশিং অসি মে থাদা লোকপা ঙম্মী।

**শঙ্গোম থোকপী ষণ :** ষণ য়াম্না লোয়দ্রবসু, ঙমগদবা মখোম থোকপী ষণবী অমা-অনী লোয়দুনা মসিদগী কান্নবদি য়াম্না ফংবা ঙমগনি হায়বা তাই।

**উহৈ অমদি অতৈ পাম্বীশিং :** মফম চানা-চানা থাবা হায়বদি ফর্ম মনুংদা উরুম লাংশিন্দনবা মওংদা মায়কৈ য়েংনা থাবা য়াবা উহৈ অমদি অতৈ পাম্বীশিংদি কফোই, হৈনৌ, লফু, অৱাথবী, য়োংচাক অমদি অতৈ মতমগা চানবা হকচাংদা কান্নবা দ্রমষ্টিক, এস্পারাগসনচিংবা পাম্বীশিং মরু ওইবা ঙাক্তনি।

**মনা-মশিং :** ফার্মগী পল্লি মথক্তা মতম-মতমগী এঞ্জাং-নাপি খুদম ওইনা কোবি, হঙ্গাম, মোরোক, উমোরোক, তীল্লৌ অমদি অতৈ মরোই-মপাং, হৱাই মখল কয়া অমা অদুমক থাদুনা ইমুংগী ৱাত্তনবা হোৎনবগা লোয়ননা কৈথেলদা য়োন্দুনা শেল ফংনবা হোৎনবা য়াই। মসিনা চাকখুমগী শেঞ্জংসু য়াম্না হন্থহনবা ঙমগনি।

মথক্তা থমজখিবা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টমগী ওইবা থৌওংশিং অমদি কান্নবা খুদিংমক থমজরিবা থবক থৌরমশিং অসিদা ফংলিবা খুদিংমক অদু শন্নপ্না থমজগে।

১) অসুম্না থারিবা পাম্বীশিং অদু মচীঞ্জাক ৱাত্তনবা ঙায়োক পূখ্রিগী লৈমায় অদু চহী ৩-৪ খুদিংগী কোত্থোক্তুনা পল্লিদা হাপ্পীবা ফৈ। মসিনা খূৎশেমগী হার হাপ্পা শোয়দনা হন্থহনগনি। ঙাগী মথী-ময়ুংনা হার ওন্থোকপনি।

২) থারিবা ফৌগী অশঙবা চরুনা ঙাগী মচীঞ্জাক ওইবগা লোয়ননা ষণগী মচীঞ্জাক ওইবা য়াই। ঙা অমদি ষণগী মচীঞ্জাক্কী শেঞ্জং হন্থহনবা ঙমগনি।

৩) থারিবা অতৈ পোৎলমশিংগী লেমহৌখাকশিংনা খুদম ওইনা লফোই পানখ্রবা লফুশিং, হৱাই, মোরোক, কোবিনচিংবগী লেমহৌখাকশিং, পূম্নমকশিং অসিগা ষম্থিগা লোয়ননা অফবা এফ ৱাই এম শেমদুনা থারিবা পাম্বীশিংগী হার ওইহনবা য়াই।

৪) পায়খৎলিবা থৌরমশিং অসিদা ফংলিবা পোৎলমশিং অসিনা পীরিবসি ইমুং অমা মশা-মউ ফনা হিংবদা চঙবা বেলেন্স দাইট- শঙ্গোম, থাও, মনা-মশিং, ঙা, উহৈ, মরোই-মপাং খুদিংমক অদুনি হায়বা তাই।

অসুম্না ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং ওইনা পায়খৎলবদি ইমুংগী মীওইশিং মশা-মউ ফনা থম্বগা লোয়ননা ইমুংগী শেন্মীৎলোন্দা ফগৎহন্দুনা হিংবগী মহাও থোক্লা হিংবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। লোয়ননা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিন্নবা লন্বী অমসু ওইগনি, অকোয়বগী ফীভমসু ফগৎতুনা তুং কোইবা লৌউরোমদা মায় ওনশিনবদা মায় পাক্কনি, পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।